# মপান মণিপুরদা মণিপুরী চেফোঙ ঃ অশস্বা পুৰারী

## এন দি হোদাম্বা

“শিলচরগী ইটখোলাদা লৈবী সোরাম ওংবী ইমাচাউবী দেবীনা কুমজা ১৯৬৭ তা *ঐখোয়* কৌবা থাগী চেফোঙ অমা খোরিলাংদুনা পুথোরকখি। ঙসি ফাওবগী ওইনা মপান মণিপুরগী চেফোঙগী পুৰারীদা ইমাচাউবীনা অহানবা নুপী খোরিলাংবী অদু ওইরি।”

**ৱাহৌদোক**

চেফোঙ হায়বসি য়াম্নমক মপাঙ্গল লৈবা প্রিন্ট মেদিয়া অমনি। মসিনা মীওই ফুরুপ নৎত্রগা লম নৎত্রগা লৈবাক নৎত্রগা মীওইবা খুন্নাই অমগী সাহিত্য, কলা, সংস্কৃতিগা লোয়ননা হীরম কয়ামরুমগী পাউজেল পুদুনা চৎলি। চেফোঙগী খৃথাংদগী সাহিত্যকার কয়া, অৱাংবা থাক্কী ৱাঙুরোয় কয়া, পাউজেল্লোয় কয়া মপোক লাংওন তম্লকই। মখোয়না খুন্নাই অমবু অচুম্বা অফবা অমদি ফজবা মায়গৈ তাকপীদুনা তাইবঙপান অসিদা ঐখোয়না হরাও তয়াম্না, নুংশি চান্নবা অমসুং চাউখৎপগী ফম্বাক্তা পুন্না লৈমিন্নবগী মরম ওইহল্লি। চেফোঙ হায়বসি শম্না হায়রবদা লৈবাক অমা, জাতি অমা শেমগৎপগী মরুওইবা য়ূম্বী মখোঙ অদুনি। মণিপুরী জাতি অসিগী চাউখৎ লমদাংদসু চেফোঙনা অচৌবা থৌদাং য়াখি। মশক নাইবা মীওই কয়া চেফোঙগী মপান্দগী মপোক ফংখি। মপান মণিপুরদসু চেফোঙ অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মশাগী মপুন্সি অমা লৈজরকখি।

চেফোঙ

চেফোঙ হায়রগা ঐখোয়না করিগুম্বা হীরম অমা নৎত্রগা খরদা য়ূম্ফম ওইরগা ইশিন্দুনা নৎত্রগা উলম তৌদুনা মতম নাইনা ফোঙদোকপা চেরোল অদুবু খঙনৈ। মসিগা ইংরাজিগী জর্নেল নৎত্রগা মেগাজিন হায়বসিগা মান্নবা অর্থদা লৌবা য়াই। জর্নেল হায়বসি a newspaper or magazine that deals with a particular subject or professional activity হায়না য়ানৈ অদুগা মেগাজিন হায়বসিনা a periodical publication containing articles and illustrations, often on a particular subject or aimed at a particular readership নৎত্রগনা a periodical containing a collection of articles, stories, pictures, or other features হায়রগা য়ানৈ। চেফোঙবু পব্লিকেসন, পেরিওদিকেল, পেপর, প্রোসিদিংস, সপ্লিমেন্ট, গেজেট, দাইজেষ্ট, রিভিয়ু, ন্যুজলেটর, ন্যুজসিট, বুলেটিন, ন্যুজপেপর অসিনচিংবা মিংথোলদসু ফীভমগী মখা পোন্না খঙনৈ।

**চেফোঙ মখল খায়বা**

চেফোঙশিং অসিদা খৃৎইনা ইবা অমসুং উনম তৌবা চেফোঙ হায়না অহানবদা মখল খায়বা য়াই। খৃৎইনা ইবা চেফোঙদা লৈকাইগী লূপশিং অমসুং মহৈশঙ খরগী ফক্লাং চেফোঙ অসি য়াম্নমক মমল লৈখি। মথংদা লন্নাই ওইনা ফোঙবা, লূপনা ফোঙবা, মহৈশঙনা ফোঙবা চেফোঙ হায়না অমুক মখল খায়বা য়াই। হীরমগী মীৎয়েংদগীসু মখল খায়বা য়াই, খুদম ওইনা - নুপীগী চেফোঙ, বিজ্ঞানগী চেফোঙ, সাহিত্যগী চেফোঙ, নিংথৌ কাঙলোনগী চেফোঙ, লাইনীংগী চেফোঙ, ৱায়েলগী চেফোঙ অসিনচিংবা। মতম নাইবগী মীৎয়েংদা য়েংলগা নুংতিগী পাউচে, চয়োলগী পাউচে, থাখায়গী চেফোঙ, থাগী চেফোঙ, থা অনীগী চেফোঙ, থা অহুমগী চেফোঙ, থা তরুক্কী চেফোঙ, চহীগী চেফোঙ, মতম নাইদবা চেফোঙ অসুম হায়না মখল খায়বসু য়াই।

**মপান মণিপুরদা মণিপুরী চেফোঙগী অশস্বা পুৰারী ঃ অঙনবা মতম**

মপান মণিপুরদা মণিপুরী চেফোঙ অসি ২০ শুবা চহীচাগী অঙনবা শরুক্তগী ফোঙবা হৌই। অহানবা চেফোঙ অদুগী মিং *মৈতৈ লৈমা* কৌই অমসুং মদু মপান মণিপুরদা (কছাড়দনি) কুমজা ১৯১৭-১৮ অদুৱাইদা ফোঙখিবনি হায়না এ চুংমৈ কামৈনা হায়। তুংদা *জাগরন* কৌবা চেফোঙ অমা, মদুগী অহানবা মশীংদু ইংরাজি চহী ১৯২৫ গী জন্যুৱারী থাদা ফোঙদোকখিবনি হায়না লৌনৈ। সিলেটকী মুরারিচান্দ কোলেজদা তম্বা মণিপুরী (মীতৈ অমসুং লৈমনাইশিং) মহৈরোয়শিংনা কোলেজদা পুনশিনমিন্নরগা থাগী ওইনা পুথোকপদা লেপ্লদুনা ইস্লামিয়া প্রেসতা উনম তৌরগা পুথোকপনি। চেফোঙ অসিগী অহানবা খোরিলাংবা মীওই অদুগী মিং অর্জুন সিংহ অমসুং ঙমথং খোরিলাংবা অদুগী মিংনা নিলমনি সিংহ কৌই। বংলা লোন্দা ইবা আর্টিকলশিংনা মপুং ওইহনবা চেফোঙ অসি পুথোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবদি - অহানবা লো গ্রেজুএট ওইখিবা অর্জুন সিংহনি। অতৈ নহা লুচিংবশিংগী মনুংদা মিং পনবা য়াবশিংদি - নিলমনি সিংহ, হরিদাস সিংহ, বাবুচান্দ সিনহা, নিত্যাইচান্দ সিনহানচিংবনি। নিত্যাইচান্দ সিনহানা অফোঙবা ওইবিখিবনি। থৱায় য়াওবা নহারোলশিং অসিনা চেফোঙ অসি পুথোকপগী ৱা খন্নদুনা কোক চুংশিন্নবা মতমদা মতমদুগী ইতিহাসকার মহেন্দ্র কুমার সিংহনা শরুক য়াবীদুনা ময়াম্লুং পূক্লিং থৌগৎপীখি অমসুং লমজিং লমতাকপীখি। হায়রিবা চেফোঙ অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরী চেফোঙগী পুৰারীদা অহানবনি হায়না য়ানরি।

মতম অস্বায়দা মণিপুরী নত্তবা অতৈ অইবশিংনা মণিপুরীশিংবু ত্রাইবেলনি অমসুং চাউখৎতবা কাঙলূপনি হায়না কন্না ইনরকপা মতমদা তোনু সিংহ, কৃষ্ণকুমার সিংহ, মহেন্দ্র কুমার সিংহ, নিত্যাইনন্দ সিনহা, নিলমনি সিংহ, ললিত মোহন সিনহা অমসুং হরিদাস সিংহখোয়না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা *জাগরন* চেফোঙ অসিদা ইখি। নীংশিংবা য়াবা মরু ওইবা ৱাফম অমনা, চফোঙ অসিদা ডা. লমাবম কমলগী ‘ব্রজেন্দ্রগী লুহোংবা’ হায়বা ৱারীমচা অসি ফোঙদোকখিবনি হায়না বিজয়কুমার তায়েঞ্জমনা মহাক্কী ৱারেং অমদা পল্লম্মী।

অনীশুবা চেফোঙনা *মণিপুরী* নি হায়না য়ানরি কুমজা ১৯৩৩ গী সেপ্টেম্বর-ওক্টোবরদা অহানবা ওইনা পুথোকপা থাগী চেফোঙ অসি লোন অহুমদা ফোঙবনি। লোনশিং অদুদি - বংলা, মীতৈ লোন অমসুং লৈমনাই (বিষ্ণুপ্রিয়া) লোন অসিনি। মতমদুগী কছাড় জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সেসন জজ ওইবিরম্বা বিএসসি বিএল সমরজিৎ সিনহানা খোরিলাংবা ওইনা চহী খরা থৌ পুবিখিবনি। মীতৈশিংগী মরক্তা চেফোঙ অসিবু হেন্না পাম্নহন্নবা অমসুং পাক্লা শন্দোক্লবগীদমক ডা. লৈরেন সিংহসু এদিটরিয়েল বোর্দতা য়াওখি।

*মণিপুরী* হায়বা চেফোঙ অসিগী মতুংদা *মেখলী* কৌবা থা অনীগী চেফোঙ অমসু ফালগুনি সিনহানা খোরিলাংবা ওইদুনা কুমজা ১৯৩৮ দগী ১৯৪১ ফাওবা ফোঙলম্মী। হায়রিবা মিংথোল অসি *মণিপুরী* চেফোঙগী মিংথোলদা য়ানদবা লাকপদগী ধরনি সিংহিতা কৌবা পুরানদা পল্লম্বা থেংনবদগী লৌখত্তুনা *মেখলী* হায়না ফোঙবনি। অদুবু মসিগী য়ানদবা অসিনা চহী খরা মখা চত্থরম্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৪১ দা অমুক পুন্না ফম্মিন্নরগা মিং অনীমক লৌথোক্তুনা *ক্ষেত্রিয়জ্যোতি* মিংথোলগী মখাদা ফোঙদোকপা মতমদা *মেখলী* গী খোরিলাংবা ফালগুনি সিনহানা মখা তানা খোরিলাংবগী থৌদাং লৌখি। লোন অহুমদা ফোঙবা চেফোঙ অসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউ মতম ফাওবা ফোঙলম্মী। অদুম ওইনমক লান লোইখ্রবা মতমদগীদি অমুক মখা চত্থবা ঙমখিদে।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউনা মরম ওইদুনা মতম খরা লেপ্লুরবা মতুংদগী অমুক হন্না শমজিন্নবা হোৎনরকখিবসি ত্রিপুরাগী আগরটালাদগীনি। কুমজা ১৯৪৭, ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংবা চহীদা মাধবজিত রাজকুমারনা খোরিলাংবা *খোঞ্জেল* কৌবা থাখায়গী পাউচে অমা পুথোকখি। পাউচে অসিগী এসিষ্টেন্ট এদিটর ওইনা কমলজিৎ রাজকুমারনা ওইখি।

**ময়ায় চনবা মতমঃ**

মপান মণিপুরদা মণিপুরী চেফোঙগী অঙনবা মতমসি ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংবা চহী অসিফাওববু লৌরগা মসিগী মতুংদগী ময়ায় চনবা মতম হায়না লৌবা য়াই। ময়ায় চনবা মতম অসি কুমজা ১৯৫০ গী মতমদগী হৌবা উবা ফংবা অসিনা মরম ওইরগা মতম খায়বা অসি কুমজা ১৯৫০ মমাঙবু অঙনবা অদুগা মতুংবুনা ময়ায় চনবা হায়না লৌরবসু অকায়বা লৈতে।

ময়ায় চনবা মতমগী অহানবা চেফোঙসি পলারবোনদগী ফোঙলকপা ওজা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহনা খোরিলাংবা কুমজা ১৯৫২ দা পুথোকপা *পঞ্জেন* কৌবা চেফোঙ অসিনি হায়না লৌবা তারি। *পঞ্জেন* হায়রিবা চেফোঙ অসি থা অহুমগী চেফোঙনি। মতম অস্বায়দা লৈরম্বা মণিপুরী মহৈরোয়শিং অসি মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্যগীদমক য়াম্না খোয়রাংনখিবা মতম অমনি। মরম অদুনা মহৈশঙদা কাদুনা লাইরিক তম্লিবা মহৈরোয়শিংনসু অচৌবা থৌদাং লৌনরকই। মণিপুরী মহৈরোয়শিংনা ওল কছাড় মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএশন কৌবা লূপ অমা শেম্মী। লূপ অসিগী মরুপশিংনা পুনশিল্লগা *ঈচেল* কৌবা চেফোঙ অমা কুমজা ১৯৫৯ দা এন জি গোপীমোহন সিংহনা খোরিলাংদুনা পুথোরকখি। নাকল অমরোমদা, চহী অসিমক্তদা গুরুচরন (জিসি) কোলেজগী মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নসু *মতমগী পাউতাক* কৌবা চেফোঙ অমা মোইরাংময়ূম মান্যবাবু সিংহনা খোরিলাংলগা ফোঙদোরক্তুনা মপান মণিপুরগী মণিপুরী চেফোঙগী ঈচেল অসিদা অনৌবা ঈনোৎ হাপ্লকখি।

চেফোঙ ফোঙবগী ঈথিল অসি তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই কয়াদসু তোঙান তোঙানবা ঈথিল পীরম্মী। কুমজা ১৯৬০ দা শিলচরদা অঙোম বি সিংহনা *মৈতৈ লৈম* কৌবা থা অনীগী চেফোঙ অমা ফোঙলম্মী। নাকল অমরোমদা, লালারোমদসু সোরাম বাবুসনা সিংহনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৬১ দা *ঈৱাং* কৌবা থাখায়গী চেফোঙ অমা পুথোরকখি। চেফোঙ অসি অহানবদা খৃৎই ওইনা পুথোক্লল্লগা কুমজা ১৯৬৩ দগী উনম তৌবনি। কুমজা ১৯৬৮ দগীদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম, অৱাং জারিবোন মশানা মখোয়গী ওইনা থা অহুমদা অমুক মখা চত্থনা ফোঙলম্মী। কুমজা ১৯৬৬ তা সোনাই চান্দপুরগী রাজকুমার গৌরমণিনা খোরিলাংদুনা *বিজয়া* কৌবা থা তরুক্কী চেফোঙ অমা থাংজম লৈকায়দগী ফোঙদোকই। চহী অসিমক্তদা চয়োলগী পাউচে অমসু ইহান হান্না *লৌশিং মৈরা* হায়বা মিংথোলগী মখাদা পুথোরকখি। মায়গৈ অমরোমদনা শিলচরগী ইটখোলাদা লৈবী সোরাম ওংবী ইমাচাউবী দেবীনা কুমজা ১৯৬৭ তা *ঐখোয়* কৌবা থাগী চেফোঙ অমা খোরিলাংদুনা পুথোরকখি। ঙসি ফাওবগী ওইনা মপান মণিপুরগী চেফোঙগী পুৰারীদা ইমাচাউবীনা অহানবা নুপী খোরিলাংবী অদু ওইরি। চহী অসিমক্তদা অপোকপা লাইনীংগী মাউথপিচ ওইবা থাগী চেফোঙ *সিদ-মপাউ*সু নাওরিয়া অমুস্নানা খোরিলাংদুনা পুথোকপীরকখি।

মতম অস্বায়দা ফোঙবা থোইদোক্লা মমল লৈবা চেফোঙ অমদি *অনৌবা ঈচেল* কৌবা থা অহুমগী চেফোঙ অসিনি। চেফোঙ অসি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী কাছাড় মশা কমিটিনা ইহান হান্না কুমজা ১৯৬৮ দা ফোঙদোকপনি। অহানবা ওইনা খোরিলাংবগী থৌ পুবিরম্বদি ঙারিয়ানবম নবদ্বিপ সিংহনি। চেফোঙ অসি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম ওইরবা মতুংদসু মিং অসিমক্তদা মখা চত্থরকখি অমসুং হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা ফোঙলি। মপান মণিপুরগী মণিপুরী চেফোঙগী পুৰারীদা *অনৌবা ঈচেল* হায়রিবা চেফোঙ অসিনা খ্বাইদগী মপুন্সি শাংনা হিংবা ঙম্বা চেফোঙ হায়বদু ওইরি।

মায়গৈ অমরোমদা, অগরটলাদগী ময়েংবম নীলমনিনা খোরিলাংবা ওইদুনা কুমজা ১৯৬৯ দা চয়োলগী মণিপুরী পাউচে *মরুপ* ফোঙলকই। ওল্লকপা চহীদা মরুপ পাউচেগী চহীগী চেফোঙ *শরতকী ঈচেল*সু কুমজা ১৯৭০ দা ময়েংবম নীলমনি মশামক্লা খোরিলাংদুনা ফোঙদোরকই।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ শেল্লক্তুনা মপান মণিপুরদা মণিপুরী লোন, সাহিত্য, সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী হীরমদা খৃৎই কয়া ফোঙদোক্লরকপা অসিনা অকনবা ঈথিল পীদুনা ইবা-পাবা হৌবা মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা ঈথক কয়া হৌখি। তোঙান তোঙানবা মাইয়োনদা মাগী মাগী ঙমজবী থাক্তা চঙশিন্নরক্তুনা মতম নাইবা চেফোঙ কয়া ফোঙনরকখি। চয়োলগী চেফোঙদা লালা খ্বালিপারদগী কৈশাম বীরচন্দ্রনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৭৩ দা *জাফিরবন্দ* ফোঙখি। শিলচরদগী তোংব্রম মনোহরনা কুমজা ১৯৭৯ দা *শক্তম*, লক্ষিপুরগী ঙাথেম ইবুঙোয়াইমনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৮০ দা *মৈরম মৈরা*, শিলচরদগী থিংগোম প্রিয়োকুমার সিংহনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৯৫ দা *ভারত লৈমা* অমসুং চহী অসিমক্তদা গুৱাহাটিদগী ফুরিৎশাবম বীরমনিনা খোরিলাংদুনা *পুর্ণিমা* ফোঙদোরকই। তুংদা ফুরিৎশাবম বীরমনিনা খোরিলাংবা ওইবা *ঐখোয়গী মণিপুর*, সিঐচ বিজান্দোনা খোরিলাংবা ওইবা *মাংজিল থাবা*, কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বমনা খোরিলাংবা ওইবা *হিংমিন্নসি*নচিংবা ফোঙদোক্লরকপা উবা ফংই। চয়োলগী চেফোঙদা খ্বাইদগী শীংথানবা য়াবা অদুদি আগরটালাদগী ফোঙবা *মরুপ* পাউচে অসিনি। পাউচে অসি চহী ৪৭ চুপ্না লেপ্তুনা ফোঙলক্লি।

বংলাদেশতসু চেফোঙগী ঈথিল অসি কুমজা ১৯৭৫ দা লাকপা উখি। চহী অসিমক্তদা এ কে সেরামনা খোরিলাংদুনা *দ্বিপানিতা* ফোঙদোকখি। চেফোঙ অসিনা লেপ্তুনা ফোঙলকপনা চহী ১৫ শুবা চহীদগী *মৈরা* কৌদুনা কুমজা ১৯৮৮ দগী ফোঙলকপা হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা ফোঙলক্লি। *দ্বিপানিতা* মতমদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা নীংশিং চেফোঙ য়াওনা চেফোঙ মশীং ৫৬ রোম বংলাদেশতা ফোঙদোকপা উবা ফংই। কুমজা ২০০০ ফাওবদা ফোঙদোকখিবা মিং পনবা য়াবা চেফোঙ খরদি, এ কে সেরাম, ঐচ তোনুবাবু অমসুং ৱাই শান্তকুমারনা খোরিলাংবা *থরো-থম্বাল-থারিকথা* (১৯৭৮), এন জি কিশোর কুমারনা খোরিলাংবা *থাজ* (১৯৭৮), এস ইবেমতোম্বীনা খোরিলাংবা *মতম* (১৯৭৯), এম জয়ন্তকুমারনা খোরিলংবা *ময়োল* (১৯৭৯), কারাম নীলবাবুনা খোরিলাংবা *অনৌবা মঙাল* (১৯৮৩), সুধেন্দ্র কুমার অমসুং ও রঞ্জিতানা খোরিলাংবা *ঈচেল* (১৯৮৬), এম ইবুঙোতোম্বীনা খোরিলাংবা *য়াকাইৱা* (১৯৮৮), সনাতোন হামোম, খোইরোম ইন্দ্রজিৎ অমসুং কোন্থৌজম সুরঞ্জিৎনা খোরিলাংবা *ইপোম* (১৯৯০), অহৈবম দিল্লিপনা খোরিলাংবা *অনৌবা খোঙথাং* (১৯৯০), খোইরোম কামিনিকুমারনা খোরিলাংবা *তাম্না* (১৯৮২), এস. মঞ্জুশ্রীনা খোরিলাংবা ওইবা *খোল্লাউ* (১৯৮৩), সুধেন্দ্র কুমার অমসুং ও রঞ্জিতনা খোরিলাংবা *ঈচেল* (১৯৮৬), এম ইবুঙোতোম্বীনা খোরিলাংবা *য়াকাইৱা* (১৯৮৮), সনাতোন হামোম, খোইরোম ইন্দ্রজিৎ অমসুং কোন্থৌজম সুরঞ্জিতনা খোরিলাংবা *ইপোম* (১৯৯০), অহৈবম দিল্লিপনা খোরিলাংবা *অনৌবা খোঙথাং* (১৯৯০), শেরাম নিরঞ্জননা খোরিলাংবা *শজিবু* (১৯৯২) নচিংবনি। *শজিবু* অসি হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা ফোঙলি। কুমজা ২০০০ ফাওবদা পনবা য়াবা অতৈ চেফোঙশিংদি নিঙোম্বম থম্বালনা খোরিলাংবা *মীৎকপ থোকপা* (১৯৯৬), প্রিয়বর্ত্ত সিংহ রাজু, এম উত্তম সিংহ রতননা খোরিলাংবা *মঙাল* (১৯৯৭), সেরাম সনারৈনা খোরিলাংবা অঙাংগী চেফোঙ *য়েন্নীং* (১৯৯৯), এম শান্তনা খোরিলাংবা *লৈপুন* (২০০০), য়েন্সেম্বম চন্দ্রজিৎনা খোরিলাংবা *লৈচন* (২০০০) অমসুং নামব্রম শঙ্কর, কৈশাম বিমল অমসুং মৈস্নাম রাজেসনা খোরিলাংবা *খোঙথাং* (২০০০) অসিনচিংবসি পনবা য়াই।

থাখায়গী চেফোঙদা লালাদগী হিজম বীরেন্দ্রনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৭৭ তা *খুদোল*, ত্রিপুরা লৈঙাক্কী মায়গৈদগী খুমন্থেম কার্ত্তিক সিংহনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৭৯ দা *ত্রিপুরা চে*, লালাদগী ঙৌবরেন সিংহনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৯৪ দা *লংদাই* অমসুং চহী অসিমক্তদা লাইশ্রম ফনিন্দ্র সিংহনা *বরাক তম্পাক* ফোঙদোক্লরকই। থাগী চেফোঙদা লালা চেংবিলদগী অঞ্জন লুৱাংনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৮৪ দা *সনরিক*, জাফিরবন্দদগী সেঞ্জম বিজয় সিংহনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৮৭ তা *মঙাল* অমসুং থাংজম লৈকায়গী নোংথোম্বম ধীরেন সিংহনা খোরিলাংদুনা কুমজা ২০১০ দা *হিংমিন্নসি* ফোঙদোরকই। থাগী চেফোঙদা শীংথাবা য়াবদি ফুরিৎশাবম বীরমনিনা খোরিলাংবা গুৱাহাটিদগী চহী ১৭ চুপ্না চাং নাইনা ফোঙলক্লিবা নুপীগী চেফোঙ *ইচেম্মা* হায়বসিনি। থা অনীগী চেফোঙদা পনবা য়াবশিংদি - মণিপুরী লিটরেরি ফোরম, আসামগী মায়কৈদগী রানিপুরগী চোংথাম গৌর সিংহনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৭১ দা *পাম্বা* পুথোরকই। মখা তানা কুমজা ১৯৭৯ দা শিলচরগী মৈস্নাম ভুবননা খোরিলাংদুনা *ঈচেল*, কুমজা ১৯৮০ দা পলারবন্দগী সাপম বল্লব সিংহনা খোরিলাংদুনা *লমজেল* অমসুং কুমজা ১৯৮১ দা লাইশ্রমখুনগী ৱালা খুমননা খোরিলাংদুনা *লন্মী* ফোঙদোকখি।

থা অহুমগী চেফোঙগী মপান মণিপুরদা য়াম্নমক পান্ননা উবা ফংই। *পঞ্জেন* অমসুং *অনৌবা ঈচেল*গী মতুংদা শীংথাবা য়াবা চেফোঙ অমা থোরকখি কুমজা ১৯৭৩ দা *নোংপোক মৈরা* হায়বা মিংথোলদা শিলচরদগী ইরুংবম চন্দ্র সিংহনা খোরিলাংদুনা। কুমজা ১৯৭৬ তসু বাসকান্দিদগী আব্দুস সহীদ চৌধুরিনা খোরিলাংদুনা *নুমীৎলৈ* পুথোরকখি। মায়গৈ অমরোমদা, লক্ষিপুরদগী ওজা ৱাংখেম শরৎচন্দ্রনা খোরিলাংদু কুমজা ১৯৭৮ দা *খোরীরোল*, অগরটলাদগী এম রামগোপালনা খোরিলাংদুনা চহী অসিমক্তদা *তখেল লৈরাং*, রাণিপুরগী ঙারিয়ানবম নবদ্বিপনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৮০ দা *সাহিত্য বিনা*, বোরখোলদগী কোন্থৌজম কালেঞ্জাউনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৮৩ দা *অনৌবা পৃথিবী*, চহী অসিমক্তদা শিলচরদগী কে এন চান্দনা খোরিলাংদুনা *ৱাকৎ*, নহারোল খোর্জে শিন্থালূপ, জারিবোনগী মায়গৈদগী লাইশ্রমখুনগী বীরেন লাইশ্রম্না খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৯৪ দা *খোর্জে*, চহী অসিমক্তদা লালাদগী ওজা তৌরাংবম নিমাইচান্দ সিংহনা খোরিলাংদুনা *মৈরা*, ত্রিপুরা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এল বিনোদ অমসুং দল্লিয়ু বিরেননা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৯৭ তা *চুমথাং*, মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, আসামগী মায়কৈদগী লাইশ্রম তরনিকান্তনা খোরিলাংদুনা কুমজা ২০০০ দা *য়েনীং*, য়ূম্নাম ইন্দ্রবাবুনা খোরিলাংবা *সনা লৈবাক* ফোঙই।

থা তরুক্কী চেফোঙদা *বিজয়া*গী তুংদা নহারোল সাহিত্য প্রেমী, জাফিরবন্দগী মায়কৈদগী অঞ্জন লুৱাংনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৭৮ দা *ঈচেল*, লৈশুংবম এম মঙাংগী *ষ্টেটৱার্ল্ড* (১৯৮৪), বোৱালজুরদগী ওক্রম মিনানা খোরিলাংবা *খোঙজেল* (১৯৯৬), সিঙ্গেরবন্দদগী থোকচোম বিশ্বনাথনা খোরিলাংবা *নুমিৎ য়ুংবদা* (১৯৯২) অসিনচিংবসি পনবা য়াই।

চহীগী চেফোঙদা আসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী মায়কৈদগী রাজকুমার সুরেন্দ্রজিৎ সিংহনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৭৩ দা *পি-থাদোই* ফোঙখি। বোনতারাপুরগী সিনাম মেঞ্জর সিংহনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৮৩ দা *নহারুপ*, আগরটলাগী এন অসিত দত্তনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৮৪ দা *লমজেল*, আগরটলাগী এল বীরমঙ্গলনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৮৪ দা *শরী*, অগরটলাগী মুতুম চনু অঞ্জনানা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৯১ দা *চিত্রঙ্গদা*, আগরটলাদগী খোইস্নাম মঙ্গলনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৯৫ দা *হৈঙাল*, থাংজম লৈকায় নহারোল চাওখৎলূপকী মায়কৈদগী হোদাম নীরেন্দ্রনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৯৬ তা *থৌদাং*, আগরটলাদগী টি ঐচ সোনামনিনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৯৭ তা *রামধেনু*, লাইশ্রমখুনদগী মোইরেংজম দেব সিংহনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৯৮ দা *ঐখোয়গী নহারোল*, আগরটলাদগী খোইস্নাম বিজুনা খোরিলাংদুনা কুমজা ১৯৯৯ দা *খোঞ্জেল* পুথোক্লরকখি। মসিশিংসিগী মথক্তা ঝরখণ্ডদগী *খোঙচৎ*, লালাদগী *শায়োনন*চিংবসু ফোঙদোক্লরকখি। মায়কৈ অমরোমদা, বেঙ্গলোরদগী *ৱাংমদা* কৌবা চেফোঙ ফোঙলকপা উবা ফংই।

মায়কৈ অমরোমদা চাং নাইবা অমসুং নাইদবা থিদনা স্কুল, কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিদা তম্বা মণিপুরী মহৈরোয়শিংনসু পুনশিন্নদুনা নৎত্রগা মণিপুরী দিপার্টমেন্টনা চেফোঙ পুথোক্লরকই। পনবা য়াবা খরদি শনারৈ মীতৈ হায় স্কুলগী *লৈচন*, কছাড় কোলেজগী *মৈরা*, জি সি কোলেজগী *নাচোম* (অহানবা মশীংগী খোরিলাংবা এন দি হোদাম্বা), এম সি দি কোলেজগী *ইঙাল্লৈ* (অহানবা মশীংগী খোরিলাংবা রাজকুমার রঞ্জন সনা), জনতা কোলেজগী *য়েন্নীং* (অহানবা মশীংগী খোরিলাংবা সেঞ্জম হেমন্ত সিংহ) অমসুং ৱিমেন কোলেজগী *নিঙোল* (অহানবা মশীংগী খোরিলাংবা মোইরাংথেম মেমতোম্বী) পনবা য়াই। মসিশিংসিগী মথক্তা মতম মতমগী ওইনা পুথোকপা নীংশিং চেফোঙশিং পনবা য়াই।

> মপান মণিপুরগী মণিপুরী চেফোঙগী পুৰারী নৈনবা মতমদা আসামখক্তা নত্তনা ত্রিপুরা অমসুং বংলাদেশকী মণিপুরী ইপাচা-ইপুচাশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা অচৌবা থৌদাং লৌনরকখিবা উবা ফংই। ফোঙনরিবা চেফোঙশিং অসিগী মনুংদা পাউচেশিং নত্তবদা অতে চেফোঙশিংদি অয়াম্বনা মণিপুরী লোন, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিদা য়ূম্ফম ওইবা ঙাক্তা ওইনা তৌই।

**হৌজিক্কী মতম ঃ**

উনমকোনদা ময়েক শাগৎপদা কম্প্যুটরগী মতেংদগী শাগৎপা হৌরকপা অসিবু ঐখোয়না হৌজিক্কী মতম হায়না লৌবা য়াই। মথক্তা পঞ্জখিবা চয়োলগী পাউচে *পূর্ণিমা* অসিনা ইহান হান্না কম্প্যুটরদা ময়েক শাগৎতুনা নমথোকপা হৌবনি। মরম অদুনা কুমজা ১৯৯০ গী মতম অসিবু ময়াই চনবা মতমনা লোইশিল্লকপা অমসুং হৌজিক্কী মতমনা হৌগৎলকপা মতমনি হায়না লৌবা য়াই। কম্প্যুটরদা ময়েক শাগৎতুনা নমথোক্লবশিংবুনা হৌজিক্কী মতমদা থম্লগা, মরুদা শাগৎতুনা নমথোকপশিংবুনা ময়াইগী মতমদা থম্বা য়াই। খুদম ওইনা কুমজা ১৯৯০ মতমগী *পূর্ণিমা*, *ঐখোয়গী মণিপুর* নচিংবা চয়োলগী পাউচেশিং অসিদগী হৌবা য়ারে। অদুম ওইনমক পাক শন্না কম্প্যুটরদা উনম তৌদুনা ফোঙনরকপদদি কুমজা ২০০০ গী মতম অসিদগীনি। মরম অদুনা কুমজা ১৯৯০ গী মতমবু হৌজিক্কী মতমগী য়ূম্ফম থোনবা মতমনি হায়না লৌরগা কুমজা ২০০০ গী মতম অমসুং মতুং তাবা মতমবুনা হৌজিক্কী মতমগী মপুং ফাবা মতমনি হায়না লৌবা য়াই।

মতম অসিদা ফোঙদোকপা নীংশিংবা য়াবা চেফোঙশিং খরদি - চয়োলগী পাউচেদা *মাঙজিন থাবা*, *মীরাউখোল*, *হিংমিন্নসি* নচিংবনি। থাগী চেফোঙদা *য়াকাই খোঞ্জেল* পনবা য়াই। থা ৩ গী চেফোঙদা বাসকান্দিগী আব্দুস সহীদনা খোরিলাংদুনা কুমজা ২০০৯ দা *অত তয়ির* মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, লক্ষিপুর মশা কমিটিগী মায়কৈদগী এন কুলজিৎনা খোরিলাংবা *তাবুনুংদগী* অমসুং কুমজা ২০১৩ দা কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বমনা খোরিলাংদুনা *শমজিরৈ*, অহমদ হাসাননা খোরিলাংবা *থৱানমিচাক* অমসুং বশিষ্ঠ শর্ম্মানা খোরিলাংবা *ইঙেল্লৈ* গা লোয়ননা কুমজা ২০১৪ দা এফ অহমদনা খোরিলাংবা *ইথিল* নচিংবা চেফোঙশিংসি ফোঙদোক্লরকই।

থা ৬ কী চেফোঙদা সোনাইদগী এন দি হোদাম্বনা খোরিলাংবা *নৈনরোল* (২০০৪) অমসুং নহারোল সাহিত্য মরুপ, আসামগী মায়কৈদগী কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বমনা খোরিলাংবা *নোংলৈ* (২০০৬) পনবা য়াই। *নৈনরোল* লেপ্তুনা ফোঙলি। চহীগী চেফোঙদা বাসকান্দি দারুল উলুমগী মায়কৈদগী কুমজা ২০০৬ তা *অল-ইলম*, আগরটলাদগী সোরোকখাইবম গম্ভিনিনা খোরিলাংদুনা কুমজা ২০০১ দা *খোঙচৎ* অমসুং খোইস্নাম মঙ্গলনা খোরিলাংদুনা কুমজা ২০১০ দা ফোঙবা *মেখলী* নীংশিংবা য়াই। মায়কৈ অমরোমদা, আসাম য়ুনিভর্সিটি মণিপুরী মশঙদগীসু এন দি হোদাম্বনা খোমজিন্দুনা কুমজা ২০০৪ দা *মণিপুরী* ফোঙদোরকই।

মতম অসিদা ফোঙদোরকখিবা বংলাদেশকী পনবা য়াবা চেফোঙশিং অদুদি - সনাতোন হামোমনা খোরিলাংবা *অয়ূক* (২০০১), চন্দ্রজিৎ সিংহনা খোরিলাংবা *ঈথিল* (২০০২), এম য়ু কে সাধননা খোরিলাংবা *মৈঙাল* (২০০৩), এল সান্তনা দেবীনা খোরিলাংবা *জগোয়*, ৱাই লন্দলাল সিংহনা খোরিলাংবা *লৈরাংবী*, ফেলেম ধীরেননা খোরিলাংবা *অনৌবা খোল্লাউ*, নাম্ব্রম শঙ্করনা খোরিলাংবা *ইঙ্খোল* (২০০৪), এ কে সেরামনা খোরিলাংবা *মঙলান* (২০০৬), থিঙ্গুজম হীরেননা খোরিলাংবা *খোঙ্গুল লীবা* (২০০৭) অমসুং অনিল কুমার সিংহনা খোরিলাংবা *অপূনবা খোঙচৎ* (২০১৩) নি।

**ৱারোইশিন**

মপান মণিপুরগী মণিপুরী চেফোঙগী পুৰারী নৈনবা মতমদা আসামখক্তা নত্তনা ত্রিপুরা অমসুং বংলাদেশকী মণিপুরী ইপাচা-ইপুচাশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা অচৌবা থৌদাং লৌনরকখিবা উবা ফংই। ফোঙনরিবা চেফোঙশিং অসিগী মনুংদা পাউচেশিং নত্তবদা অতৈ চেফোঙশিংদি অয়াম্বনা মণিপুরী লোন, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিদা য়ূম্ফম ওইবা ঙাক্তা ওইনা তৌই। *ইচেম্মা* কৌবা থাগী চেফোঙনা নুপীদা য়ূম্ফম ওইবগুম, ৱায়েল কাঙলোন্দা, বিজ্ঞান্দা, শান্নবদা, হকশেলদা, মহৈ মশিন্দা অমসুং অতৈ হীরম কয়াদা মপূং ওইনা য়ূম্ফম ওইবা চেফোঙশিং অৱাৎপদি লৈরি। হায়রিবা অৱাৎপশিং অসিনা মেনশিল্লক্তুনা হেন্না মপুং ফাবা মণিপুরী চেফোঙগী তাইবঙপান অমা শেমগৎপা হায়বসিদি তুংদা লাক্কদবা থৱায় য়াওবা ইচিল ইনাওশিংগী খুত্তা শিন্নজরি।।

---

# অঙাংদা ফজনা পীজনবগী নিয়ম খরা

## নাওরেম নিলমনি

**অঙাংদি** পোল্লকপদগী ফজনা য়োকখৎপগী মথৌ তাই। পোল্লকপগা অহানবা মক্তদা খোইহিনা অহানবা চীঞ্জাক ওইহনগদবনি। করিগুম্বা খোইহি লৈত্রগদি ঈশিংদা চিনি খরা হাপ্লগা অদুম পীথক্লে। খঙদবনা নৎত্রগা ওন্ন তৈনবা থাজবা কয়াগী মরম্না মমাশিংনা পোকপদা ঙাইরিবা মচাবু কোলষ্টোম (থাঙ্গৈশেংবা খোম থোরকত্রিঙৈগী মমাঙদা থোরকপা নাপু মচুগুম্বা মমাগী খোমদগী থোরকপা মহি অমা) অদো পীথক্লদে। মসি মমা ওইবীশিংগী ওইনা য়াম্না চাউবা অশোয়বা অমনি হায়বা য়াই, মরমদি কোলষ্টোম হায়বসি পীক্লিবা অঙাংগী হকচাংদা য়াম্না কান্নবা পোৎশক অমনি, মসিনা অঙাংদা থোক্লবা য়াবা মখল মখা কয়াগী অনাবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

অঙাং পোল্লবগী পুং ২৪ দগী ৪৮ গী মনুংদা অঙাংবু খোম পীথকপা হৌগদবনি মরমদি অঙাংনা খোম থকপা হৌরগতা মমাগী খোম থোরকপগী ঈহৌ অমা লাক্কনি। মমাগী খোম পীথকপা হায়বসিনা খ্বাইদগী হেনবা মহুৎ শিনবা য়াদবা পোৎনি। অঙাংদা অতোপ্পা মখলগী চীঞ্জাক পীজবনা মতেং ওই হায়বদি য়াই, মমাগী খোমগী মহুৎ শিনবদি ঙম্মোই।

**অঙাংবু করম্না পীজগদগে হায়বগী নীয়ম খরা ঃ**

১) অঙাংবু পীজবা হৌদ্রিঙৈদা সাবোন্না খৃৎ ফজনা হামদোক্কদবনি।

২) অঙাং অদুবু ষণ নৎত্রগা ঈরোই শঙ্গোম পীথক্কদবা ওইরবদি অঙাংগী কিডনিদা শোক্তনবা শঙ্গোম ফজনা লোনথোক্লবা ঈশিংগা য়ান্নরগা পীথক্কদবনি। তেমাদা হাপ্পা শঙ্গোম শীজিন্নবা তারগনা তেমাদুদা ইদুনা তাক্লিবশিংদুগী মতুং ইন্না শেম্মগা পীথক্কদবনি।

৩) শঙ্গোম ফজনা লোনথোক্কদবনি। শীজিন্নগদবা বোটল, নিপ্পল অমদি কোন-লিক পূম্নমক ফজনা শেংনা চামথোক্কদবনি। য়ারিবমখৈ নিপ্পলদা হয়িং তোংদনবা হোৎনগদবনি। অঙাংদা শঙ্গোম পীথকপা লোইরগসু বোটল অমদি নিপ্পলদো অমোৎপা খৃৎনা পঙপাই পায়দনবা মখুম খুমদুনা থম্বা য়াবা পোৎ অমদা হাপ্পগা থম্বীগনি।

৪) পীথক্কদবা শঙ্গোমদো শারুম-শারুম তৌহনগদবনি, শাহল্লোইদবনি।

৫) শঙ্গোম থন্না হাপ্লবা বোটলদো ফজনা নিক্কদবনি। নিকপদুদা শঙ্গোম মচুম খরা চোংথোরক্লবতদা অঙাংদা পীথকপা য়ারবনি। মহৌশানা অঙাং চালখৎলকপগী মতুং ইন্না নিপ্পলসু খরা চাওবা হেনগৎহনবা য়াই। অদুগা মশা শোনবা অঙাংশিংগীদমক্তদি মশা ফবা অঙাংনা থকপা নিপ্পলদগী মচিন খজিক লাওহনবা ফৈ।

৬) মহৌশানা পীক্লিবা অঙাংশিংবু পুং ৩ নৎত্রগা ৪ কান্না কান্না পীজগদবনি। অঙাংনা শাওরিঙৈদা কপ্পীঙৈদা হায়বদি মশাদো মুকখৎতুনা কল্লিঙৈদা পীজ পীথক তৌরোইদবনি। কৈদৌঙৈদা নম হাদুনা অঙাংবু শঙ্গোম পীথক্লোইদবনি।

৭) অঙাংনা হাংহৌরবা বোটল চিংবদা নুংশিৎ চিংশিনখিদুনা অঙাংগী মপুক থিনবসু য়াই। অদুনা অঙাংদুবু শঙ্গোম পীথকপা লোইরবা মতুংদা মানা চিংশিনখিবা নুংশিৎতো থোকখিনবগীদমক মনঙ্গন্দা পোপ পোপ য়ৈবিগদবনি।

৮) ওলাংথাগী মতমদদি অঙাংবু পীজ পীথক তৌবা মতমদা ঈশিংসু মরাং কায়না পীথকপীবা ফৈ।

৯) অশেম্বা শঙ্গোম পীথকপা অঙাংশিংদদি মরক মরক্তা ভিটামিনসু পীজগদবনি। অঙাংবু খোম পীথকপা অমদি বোটলগী শঙ্গোম পীথকপবু ওইরবসু তম্পাক্তা ফজনা হিপহল্লগা পীথক্কদবনি। অঙাংনা খোম থক্লিঙৈ মতমদা মমা খরনদি চীঞ্জাক মখল কয়া হেন্নৈ। মসি অচুম্বনি, চীঞ্জাক মখল কয়া অমনা অপীকপা অঙাংগী মশাদা অকাবা কয়া লাকপা য়াওই। অদুমকপু ডাক্তরগা তানদনা য়াম্না পঙহেন হেনবা তৌরোইদবনি। মমা মশামক বেলেন্স দাইট চাগদবনি। মমা খরদি মখোয়গী অঙাংশিংবু চহী অমা চুপ্পা শঙ্গোমতা পীথক্তুনা থম্বী। মখোয়না খনবদি শঙ্গোমতনা মপুং ফাবা চীঞ্জাকনি। শঙ্গোমদি অফবা চীঞ্জাকনি হায়বদা করিমত্তা চিংনবা লৈতে অদুমকপু মসিদসু ভিটামিন সি অমদি আইরনগী অৱাৎপা লৈ। মরম অদুনা অঙাংবু মপং ওইবা চীঞ্জাক পীজবগীসু মথৌ তাই। অঙাংদি পোল্লকপদা মমাদগী মচীঞ্জাক মরাং কায়না ফংজরকই। অদুমকপু মানা মরাং কায়না ফংজখিবা মচীঞ্জাক্তো থা ৪, ৫ গী মতুংদদি অদুম হন্থরকই অদুনা মদুশিংদু চীঞ্জাক্লা মহুৎ শিনবা তাবনি। থা ৬ শুরবা মতুংদগীদি অঙাংবু তূম্বদা ৱাদবা অফবা চীঞ্জাক খন্দুনা পীজগদবনি।

১০) থা অনী শুরকপদগীদি কমলা মহি পীথকপা য়ারে। অদুমকপু মদু তপ্না তপ্না অদুম হৌগৎপীগদবনি। অঙাংনা করিগুম্বা মখোং অৱাংবা (ঈশিংগুম্বা) হাম্লবদি তোকথোকপীবা অদুগা খরা ফরক্লবা মতমদা অমুক পীথকপা। করিগুম্বা মখোং হাম্বা ফৎত্রগদি টোমেটো জুইস পীথকপসু কান্নগনি।

১১) মপং ওইবা চীঞ্জাক সুজি, শঙ্গোমখিরনচিংবসু অদুম পীজবা য়াই।



অদুগা হৌজিক্তি দুকান্দসু অঙাং পীজনবগীতা ওইবা অশেম্বা অচাপোৎ কয়াসু থোক্লে। অসিগুম্বা চীঞ্জাক্তা লফোইসু অদুম য়ান্নরগা পীজবা য়ারে। অদুগী মতুংদদি অতোপ অতোপ্পা হৈ-রা কয়াসু পীজবা য়ারে।

১২) য়েরুমগী মপালগী অঙৌবা শরুক লৌথোক্লগা মনুংগী মমুৎতমক পীজবিগদবনি। অঙৌবা শরুক্তুনা অঙাংদা এলরজি ওইহনবা য়াই। তপ্না তপ্না হাফ বোইল য়েরুমসু অদুম পীজবা য়াগনি।

১৩) থা ৫ শুরক্লবা অঙাংদদি ভেজিটেবল সুপসু পীথকপা য়ারনি। অদুগী মতুংদদি ফজনা মুন্না ফুৎলবা মনা মশিং থোংবা এঞ্চাংদুসু খরা খরা পীজবা হৌবা য়ারে। চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না খরা খরা অদুম হেঙ্গৎনা পীজবসু য়ারগনি। অঙাংদা আলু থোংবা পীজবসু ফৈ।

১৪) য়ারিমখৈ অঙাংদা তুম্বদা য়াঙগদবা মওংদা থোংলগা পীজবিগনি। থোংবদা মরোই মপাং থাক্তনা থোংবিবা ফৈ।

১৫) মমা মপা ওইবশিংনা স্কুল চৎলিবা অঙাংশিংবু মখোয়গী টিফিন্দা হকচাংদা মচি ওইগদবা চীঞ্জাক পীবিবা, সোফট ড্রিঙ্ক, কোফি, কেক দসনচিংবা দুকানগী অচাপোৎতা য়াম্না থৱায় য়াওশিনহন্দবা ফৈ। অঙাংশিংনা অসিগুম্বা দুকানগী অচাপোৎ হৈনখিবদগী য়ুমগী চাক থৌলইদবা, চাক লামদবা হায়বদো ওইরক্কনি। অদুনা মমা মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংবু ৱেল বেলেন্স দাইট পীজবিবা, অদুগতা অঙাংশিং হকচাং ফনা অমদি চুং ফিরাল চানা চাউখৎহনবা ঙমগনি ।।